ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মে ০৮, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০৩৬শুবা মশীং

থোঙজিলদা লৈঙাক হায়দুবু

কদাইদা চৎখ্রবগে

হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাকসিনা হায়খিবদুবু মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিং য়াওনা মীয়ামগী থোঙজিলদা লৈঙাক য়ৌহল্লনি হায়খিবা ওইরমাল্লে। ৱাফমসি ‘গো টু হিলস’, ‘গো টু ভিলেজ’ হায়বসিদগী হেন্দোরক্তুনা ‘মীয়ামগী নুমিৎ’ অমসুং ‘হিল লীদরস দে’ হায়বনচিংবশিংগী মথক্তা ওইরমাল্লে। মীয়ামগী থোঙজিলদা লৈঙাক য়ৌহন্নবা থৌওইনা তোঙানবা পোষ্টশিং ফাওবা শেমদুনা লৈঙাক্কী ওফিসরশিং ফাওবা দিজিগনেট তৌখ্রিবনি। অদুগা হৌজিক লেননা খুকউ য়ৌনা হৈথরক্তুনা য়ূম লিশীং ১৫গী মথক্তা অকাই-অতোই থোকহনবা য়াওনা মহৈ-মরোংশিং অমাঙ-অতা থোকহল্লগা নুমিৎ নীনি ফাওবগী মনুংদা ফোটোগ্রাফশিংগা কোন্নবা রিপোর্টশিং পীখৎলকউ হায়রক্লিবা করিগীনো? মে ৫, ২০২৪গী নুংথিলদা খঙহৌদনা লেন হৈথরকখিবা, অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখ্রিবদু অফ-নুংঙাইগী হরাও-তয়াম্বা থৌদোকশিং নত্তে। তূম্না-হিপ্পরিবা, পোৎ চৈশিং থম্নরিবা অমসুং চাকখুম-চাকশঙ ওইনরিবা কাশিং কুপ্লিবা জিজ্ঞশিং হুমদোকখিবা অমসুং পোলাং শানা অকাই-অতোই থোকপগী মথক্তা নোং তাশিল্লক্তুনা পুমতাও তাওনখ্রিবনি। থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুগী লোইশিন খমজিনবা অমসুং খূৎফম হুঞ্জিন্নবগী থবক অঙাং নত্তে। অদুগা পুমচাই চাইনা অমসুং হোত্রোং হোহন্দুনা লংথোক্লগা থন্বা য়াবসু নত্তে। লেন য়াওদ্রবসু নোং চুবা অমসুং নুংশিৎ শিৎপা লেপত্রিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ৱজ তারক্তুনা শিবা-শোকপা য়াওরিবনি। ফীভমসিদা তেল্লবা পুং ৪৮গী মতমখক পীরগা মে ৭, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা অমাঙ-অতা থোকখ্রিবশিংদুগী ফোটোগা কোন্নবা রিপোর্টশিং পীখৎলকউ হায়রিবা অসিবু হায়ফম থোকই হায়দুনা হায়রিব্রা নৎত্রগা খুদোংচাদবা থৌদোকশিংসি মায়োক্নরবা ইমুংগী মীওইশিংনা তৌফম থোকপরা? রিপোর্ট পীখৎফম ওইরিবা এস দি সী/এস দি ও/দি সীশিংগী ওফিসশিং অমাঙ-অতা থোকখ্রিবা ইমুংশিংসিগা শাইজিন লোন্নদুনা লৈবসু নত্তে। মসিগী মথক্তা মশা-মশানা সবমিট তৌনরকপা রিপোর্টশিংদুনা ফাইনেল ওইরগদ্রা হায়বা ৱাহংসু থোরকই। মরমদি রিপোর্টশিংদু ফংলবা মতুংদা অমুক স্পোট ভেরিফিকেসন তৌগদবা ওইরবদি মরী লৈনরিবা সর্কলদবু কোল্লিবা সব-দেপ্যুটি কল্লেক্টর/সব-দিভিজনেল ওফিসরনচিংবনা স্পোট ভিজিট/ইনক্বারি চখরগা রিপোর্ট খোমজিনবগী থবক হেক্তমক লোইশিনবা য়াদব্রা? থোকখ্রিবা থৌদোকশিংসিগী মতাংদা নত্তনা মীয়ামগী থোঙজিলদা লৈঙাক য়ৌহনবগী হেন্না মতাং মতম চাবা অমমুক লৈরকখিগদ্রা?

লৈঙাক্কি, মীয়ামগী মপী-মপানি, তৌফম থোকই হায়দুনা তৌবা শাবনা য়ারোই। মণিপুরদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মখলগী পাক শন্না অৱাবা নংহনবা থৌদোক্কি। চখরল্লিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরি হায়দুনা নাথৈগনু। অৱাবা, খুদোংথিবা তারবা মফম পূন্নমক্তা ওফিসলশিং খক্তা নত্তনা মীয়ামগী মীহুৎ পূন্নমক চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনগদবনি। থোক্লিবা থৌদোকসিদি লান নত্তে। লানগী পাউ তাবদা উচি মখুলদা চঙদুনা লোৎলকপা, লানফমদগী লাপ্না লৈরকপগী হৈনবীদু মখা শাংথহল্লক্কনু। লেন্না শীংকুপ শানা ফূন্দৎপা ঙল্লিবা অমনবা জিজ্ঞশিং অহনবনা শিন্দোকপা ঙমজদবা মীওইশিংগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম খঙবীগদবনি। লৈফম লৈতবশিংগীদমক রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্তুনা চঙজফম পীরবসু পন্থদনা মশা-মশাগী ময়ূম ইখোলদা লৈজবা য়ানবা থবক ৱার ফুটিংদা পায়খৎলু। ষ্টেটকী দিজাষ্টর অমসুং রিলিফকী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ৬ খরা হেনবগী শেনফমদুদি লোক্তাক ময়ায়দা থুম থাদবগুম থোক্কনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি য়াওনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিংদা চৎতুনা অখন্নবা পেকেজ অমা পীবিনবা তকশিল্লুবা চুমগনি। মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাঙনবা এম এল এশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেলশিং শীজিন্নবদা অয়াবা পীবিয়ু হায়রক্লিবসিসু অফবা ৱাফমনি। ষ্টেট কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নবা চুমগনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরক্লবদি সোসল মীদিয়াদা লৈঙাক্কদবা নত্তে। চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লবা তমথীরবা লান মায়োক্লরকপদগী খোইনা চিকখ্রগা হয়িং পাইবা য়াদবগী ফীভমদা তুশোন মানশোন্ননা লৈরনু। মীওইবগী পূন্সিদা খ্বাইদগী খুদোংচাদবসি লৈনবা য়ূম লৈতবসিনি। চরাদি নোংমা নীনি হেনবা য়াই। নোংজু-নুংশা মরকসিদা য়ূমদা লৈতনা লম্বাং-তুহাংদা লৈবা য়ারোই। শা-ষণ, উচেক-ৱায়া ফাওবগীসু মশা-মশাগী মকোল/মহুমশিং লৈরিবনি। ষ্টেট লৈঙাক পায়রিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং ফি তাকখৎলু, চঙগদবা শেল থিয়ু। অৱাবা তারবা মীওইশিংগী মনাক্তা চৎলু। লানগী মৈশা চহী ১ কোকথোংনরকপদগী লূ কোক্লবা মীয়ামগী কোকথক্তা লেন অমুক তাহনবা চুল্লোই। পূম্নমকসিসু অমুক খুদোম্বীনা থিন্দুনা তাক্লবগী ফীভমদা লৈহল্লকপা অচুম্বা ওইরোই।

ꯊꯣꯡꯖꯤꯜꯗ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯍꯥꯌꯗꯨꯕꯨ

ꯀꯗꯥꯏꯗ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯕꯒꯦ

ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯀꯁꯤꯅ ꯍꯥꯌꯈꯤꯕꯗꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯆꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯍꯨꯖꯤꯟꯅꯕ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯣꯡꯖꯤꯜꯗ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯌꯧꯍꯜꯂꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤꯕ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯦ꯫ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤ 'ꯒꯣ ꯇꯨ ꯍꯤꯂꯁ', 'ꯒꯣ ꯇꯨ ꯚꯤꯂꯦꯖ' ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯔꯛꯇꯨꯅ 'ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ' ꯑꯃꯁꯨꯡ 'ꯍꯤꯜ ꯂꯤꯗꯔꯁ ꯗꯦ' ꯍꯥꯌꯕꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯦ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯣꯡꯖꯤꯜꯗ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯌꯧꯍꯟꯅꯕ ꯊꯧꯑꯣꯏꯅ ꯇꯣꯡꯥꯟꯅꯕ ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯁꯦꯝꯗꯨꯅ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯑꯣꯐꯤꯁꯔꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯗꯤꯖꯤꯒꯅꯦꯠ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯦꯟꯅ ꯈꯨꯀꯎ ꯌꯧꯅ ꯍꯩꯊꯔꯛꯇꯨꯅ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯱꯵ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯑꯀꯥꯏ-ꯑꯇꯣꯏ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯍꯩ-ꯃꯔꯣꯡꯁꯤꯡ ꯑꯃꯥꯡ-ꯑꯇꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯒ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯅꯤꯅꯤ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯐꯣꯇꯣꯒ꯭ꯔꯥꯐꯁꯤꯡꯒ ꯀꯣꯟꯅꯕ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠꯁꯤꯡ ꯄꯤꯈꯠꯂꯀꯎ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯃꯦ ꯵, ꯲꯰꯲꯴ꯒꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗ ꯈꯪꯍꯧꯗꯅ ꯂꯦꯟ ꯍꯩꯊꯔꯀꯈꯤꯕ, ꯑꯈꯥꯛ ꯑꯔꯥꯎꯒ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯑꯀꯅꯕ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯁꯤꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕꯗꯨ ꯑꯐ-ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯒꯤ ꯍꯔꯥꯎ-ꯇꯌꯥꯝꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯇꯨꯝꯅ-ꯍꯤꯞꯄꯔꯤꯕ, ꯄꯣꯠ ꯆꯩꯁꯤꯡ ꯊꯝꯅꯔꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯥꯛꯈꯨꯝ-ꯆꯥꯛꯁꯉ ꯑꯣꯏꯅꯔꯤꯕ ꯀꯥꯁꯤꯡ ꯀꯨꯞꯂꯤꯕ ꯖꯤꯖ꯭ꯉꯁꯤꯡ ꯍꯨꯃꯗꯣꯀꯈꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯣꯂꯥꯡ ꯁꯥꯅ ꯑꯀꯥꯏ-ꯑꯇꯣꯏ ꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯁꯤꯜꯂꯛꯇꯨꯅ ꯄꯨꯝꯇꯥꯎ ꯇꯥꯎꯅꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟ ꯈꯃꯖꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯨꯠꯐꯝ ꯍꯨꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯑꯉꯥꯡ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯄꯨꯝꯆꯥꯏ ꯆꯥꯏꯅ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯣꯠꯔꯣꯡ ꯍꯣꯍꯟꯗꯨꯅ ꯂꯡꯊꯣꯛꯂꯒ ꯊꯟꯕ ꯌꯥꯕꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯦꯟ ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯅꯣꯡ ꯆꯨꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯁꯤꯠꯄ ꯂꯦꯞꯇ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯀꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯋꯖ ꯇꯥꯔꯛꯇꯨꯅ ꯁꯤꯕ-ꯁꯣꯀꯄ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗ ꯇꯦꯜꯂꯕ ꯄꯨꯡ ꯴꯸ꯒꯤ ꯃꯇꯃꯈꯛ ꯄꯤꯔꯒ ꯃꯦ ꯷, ꯲꯰꯲꯴ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯑꯃꯥꯡ-ꯑꯇꯥ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯐꯣꯇꯣꯒ ꯀꯣꯟꯅꯕ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠꯁꯤꯡ ꯄꯤꯈꯠꯂꯀꯎ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯍꯥꯌꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯔꯒ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯗꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯕ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯔꯥ? ꯔꯤꯄꯣꯔꯠ ꯄꯤꯈꯠꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯑꯦꯁ ꯗꯤ ꯁꯤ/ꯑꯦꯁ ꯗꯤ ꯑꯣ/ꯗꯤ ꯁꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯐꯤꯁꯁꯤꯡ ꯑꯃꯥꯡ-ꯑꯇꯥ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯏꯃꯨꯡꯁꯤꯡꯁꯤꯒ ꯁꯥꯏꯖꯤꯟ ꯂꯣꯟꯅꯗꯨꯅ ꯂꯩꯕꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯅ ꯁꯕꯃꯤꯠ ꯇꯧꯅꯔꯀꯄ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯗꯨꯅ ꯐꯥꯏꯅꯦꯜ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯍꯡꯁꯨ ꯊꯣꯔꯀꯏ꯫ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯐꯡꯂꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯁ꯭ꯄꯣꯠ ꯚꯦꯔꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ ꯇꯧꯒꯗꯕ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯔꯤꯕ ꯁꯔꯀꯜꯗꯕꯨ ꯀꯣꯜꯂꯤꯕ ꯁꯕ-ꯗꯦꯞꯌꯨꯇꯤ ꯀꯜꯂꯦꯛꯇꯔ/ꯁꯕ-ꯗꯤꯚꯤꯖꯅꯦꯜ ꯑꯣꯐꯤꯁꯔꯅꯆꯤꯡꯕꯅ ꯁ꯭ꯄꯣꯠ ꯚꯤꯖꯤꯠ/ꯏꯅꯀ꯭ꯋꯥꯔꯤ ꯆꯈꯔꯒ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠ ꯈꯣꯝꯖꯤꯟꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯍꯦꯛꯇꯃꯛ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕ ꯌꯥꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯣꯡꯖꯤꯜꯗ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯌꯧꯍꯟꯕꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅ ꯃꯇꯥꯡ ꯃꯇꯝ ꯆꯥꯕ ꯑꯃꯃꯨꯛ ꯂꯩꯔꯀꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ?

ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥꯅꯤ, ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯇꯧꯕ ꯁꯥꯕꯅ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯃꯃꯥꯡꯗ ꯑꯃꯨꯛꯇ ꯊꯣꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯄꯥꯛ ꯁꯟꯅ ꯑꯋꯥꯕ ꯅꯪꯍꯟꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯀꯤ꯫ ꯆꯈꯔꯜꯂꯤꯕ ꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯒꯤ ꯃꯣꯗꯦꯜ ꯀꯣꯗ ꯑꯣꯐ ꯀꯟꯗꯛꯠ ꯆꯠꯅꯔꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯅꯥꯊꯩꯒꯅꯨ꯫ ꯑꯋꯥꯕ, ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕ ꯇꯥꯔꯕ ꯃꯐꯝ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯇ ꯑꯣꯐꯤꯁꯂꯁꯤꯡ ꯈꯛꯇ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯆꯠꯇꯨꯅ ꯍꯀꯊꯦꯡꯅꯅ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯄꯥꯎ ꯇꯥꯕꯗ ꯎꯆꯤ ꯃꯈꯨꯜꯗ ꯆꯉꯗꯨꯅ ꯂꯣꯠꯂꯀꯄ, ꯂꯥꯟꯐꯃꯗꯒꯤ ꯂꯥꯞꯅ ꯂꯩꯔꯀꯄꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯗꯨ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯨ꯫ ꯂꯦꯟꯅ ꯁꯤꯡꯀꯨꯞ ꯁꯥꯅ ꯐꯨꯟꯗꯠꯄ ꯉꯜꯂꯤꯕ ꯑꯃꯅꯕ ꯖꯤꯖ꯭ꯉꯁꯤꯡ ꯑꯍꯟꯕꯅ ꯁꯤꯟꯗꯣꯛꯄ ꯉꯃꯖꯗꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯈꯪꯕꯤꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯐꯝ ꯂꯩꯇꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯇꯨꯅ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯄꯤꯔꯕꯁꯨ ꯄꯟꯊꯗꯅ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯌꯨꯝ ꯏꯈꯣꯜꯗ ꯂꯩꯖꯕ ꯌꯥꯅꯕ ꯊꯕꯛ ꯋꯥꯔ ꯐꯨꯇꯤꯡꯗ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯨ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯀꯤ ꯗꯤꯖꯥꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯔꯤꯂꯤꯐꯀꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗꯒꯤ ꯂꯨꯄꯥ ꯀ꯭ꯔꯣꯔ ꯶ ꯈꯔꯥ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯁꯦꯟꯐꯃꯗꯨꯗꯤ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯃꯌꯥꯏꯗ ꯊꯨꯝ ꯊꯥꯗꯕꯒꯨꯝ ꯊꯣꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯁꯤꯡꯗ ꯆꯠꯇꯨꯅ ꯑꯈꯟꯅꯕ ꯄꯦꯀꯦꯖ ꯑꯃ ꯄꯤꯕꯤꯅꯕ ꯇꯀꯁꯤꯜꯂꯨꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄ꯭ꯔꯗꯦꯁ ꯀꯣꯡꯒ꯭ꯔꯦꯁ ꯀꯝꯃꯤꯇꯤꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯁꯤꯗꯦꯟꯠ ꯀꯩꯁꯥꯝ ꯃꯦꯘꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ ꯑꯋꯥꯕ ꯇꯥꯔꯕꯁꯤꯡꯗ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯅꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦꯁꯤꯡꯒꯤ ꯂꯣꯀꯜ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯗꯤꯚꯦꯂꯄꯃꯦꯟꯠ ꯐꯟꯗꯒꯤ ꯁꯦꯂꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯗ ꯑꯌꯥꯕ ꯄꯤꯕꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯁꯨ ꯑꯐꯕ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯀꯦꯕꯤꯅꯦꯠ ꯃꯤꯐꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯇꯔꯦꯠ-ꯇꯔꯥ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯈꯟꯅꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡ ꯊꯣꯔꯛꯂꯕꯗꯤ ꯁꯣꯁꯜ ꯃꯤꯗꯤꯌꯥꯗ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯗꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯆꯍꯤ ꯑꯃ ꯍꯦꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯈꯣꯏꯅ ꯆꯤꯛꯈ꯭ꯔꯒ ꯍꯌꯤꯡ ꯄꯥꯏꯕ ꯌꯥꯗꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯇꯨꯁꯣꯟ ꯃꯥꯟꯁꯣꯟꯅꯅ ꯂꯩꯔꯅꯨ꯫ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯗꯕꯁꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯌꯨꯝ ꯂꯩꯇꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯆꯔꯥꯗꯤ ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯅꯤꯅꯤ ꯍꯦꯅꯕ ꯌꯥꯏ꯫ ꯅꯣꯡꯖꯨ-ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯃꯔꯀꯁꯤꯗ ꯌꯨꯃꯗ ꯂꯩꯇꯅ ꯂꯝꯕꯥꯡ-ꯇꯨꯍꯥꯡꯗ ꯂꯩꯕ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯁꯥ-ꯁꯟ, ꯎꯆꯦꯛ-ꯋꯥꯌꯥ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤꯁꯨ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯀꯣꯜ/ꯃꯍꯨꯃꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯄꯥꯌꯔꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯐꯤ ꯇꯥꯀꯈꯠꯂꯨ, ꯆꯉꯒꯗꯕ ꯁꯦꯜ ꯊꯤꯌꯨ꯫ ꯑꯋꯥꯕ ꯇꯥꯔꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇ ꯆꯠꯂꯨ꯫ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯃꯩꯁꯥ ꯆꯍꯤ ꯱ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡꯅꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯂꯨ ꯀꯣꯛꯂꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯀꯣꯛꯊꯛꯇ ꯂꯦꯟ ꯑꯃꯨꯛ ꯇꯥꯍꯟꯕ ꯆꯨꯜꯂꯣꯏ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯀꯁꯤꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯈꯨꯗꯣꯝꯕꯤꯅ ꯊꯤꯟꯗꯨꯅ ꯇꯥꯛꯂꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯍꯜꯂꯀꯄ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯑꯣꯏꯔꯣꯏ꯫

জেট প্লেন টর্বাইন অমসুং রোকেট নোজলগুম্বা শাননবা অনৌবা অল্লোয়

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

অশেংবা পোৎশিংনা শেংদবা পোৎশিংদগী মতম চূপ্পদা ফবা ওইদে। খুদম ওইনা য়োৎতি কোট্লিং কাই, লূন্মী অমসুং লংবগী চাং হন্থে, অদুবু য়োৎনা ক্রোমিয়মগুম্বা ইলিমেন্ট খরগা পূনশিন্নখ্রগা ষ্টেইনলেস ষ্টীল ওইরক্লবা মতুংদদি কোট্লিং কাখিদ্রে, লূম্বসু হন্তরে অদুগা মশকসু ফজরে। অসুম্না ধাতু (মেটল) অমদা য়াওরিবা ফত্তবা মগুণশিংবু মাঙহনখিদুনা অফবা মগুণশিং চেলহল্লক্লবগীদমক অতম্নবা অল্লোয় (য়ানশিন্নবা পোৎ মখল অমা) শেন্মী। হৌজিক ফাওবদা অল্লোয় মখল-মখা কয়া পুথোকখ্রে, অদুগা অনৌবা কয়া অমসু পুথোক্লবগীদমক থিজিন হুমজিল্লি।

লোরেন্স বর্ক্লি নেসনল লেবোরেটরি (বর্ক্লিলেব) অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া বর্ক্লিগী Robert Ritchie না লুচিংখিবা থিজিন লূপ অমনা কা হেন্না শারবা মৈশা অমসুং কা হেন্না ঈংলবা ফাওবদা মশাগী হান্না লৈজরম্বা ফীভম (ষ্ট্রেঙথ অমসুং টফনেস) দু কাইদনা অদুম লৈজবা ঙম্বা নিওবিয়ম, টান্টালম, টাইটানিয়ম অমসুং হাফনিয়মগী অল্লোয় অমা পুথোকপা ঙল্লে হায়রি। মেটরিঅল অমগী ষ্ট্রেঙথ হায়বসিনা পীশিল্লক্লিবা শাফুদুনা মেটরিঅলদুগী ফীভম কায়হন্দনা থম্বা ঙম্বগী শক্তিদুবুনি অদুগা টফনেস হায়বসিনা চেকখায়হন্দনা, ময়ি চৎহন্দনা থম্বা ঙম্বগী মগুণদুনি। ‘সাইন্স’ (এপ্রিল ১১, ২০২৪) তা ফোঙদোরকখিবা থিজিন-চেরোল অদুগী মতুংন্না অনৌবা অল্লোয় অসি ইফিসিএন্সি য়াম্না ৱাংবা ‘নেকষ্ট-জেনরেসন’ ইঞ্জিনশিং শাবদা য়াম্না কান্নবা পীরগনি হায়রি।

ইঞ্জিনশিংনা মৈশাবু ইলেক্ট্রিসিটি নৎত্রগা থ্রষ্টতা ওন্থোকপা ঙম্বগী চাংসি ফ্যুল অদুনা চাক্লিবা টেম্পরেচর অদুনা লেপ্পী - হেন্না শারগা হেন্না ফৈ। অদুবু ইঞ্জিন অদুবু শারিবা পোৎশিংদু শাখ্রবা মৈশা অদুদা খাঙবা ঙম্বা তাই হায়বদি মৈশাদুনা কোলহন্দবা, থোৎহন্দবা অমসুং কাইহন্দবা তাই। অদুনা করিগুম্বা মতমদা মৈশাগী চাংসি হন্থনা পুথোকপদা মতারকপা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা ফীভমশিংদা হেন্না শাবা মৈশাদা খাঙবা ঙম্বা পোৎশিংগী মথৌ য়াম্নমক তারকই।



মেটরিঅল ষ্ট্রকচর মেপ অসিনা -১৯৬°Cগী চাংদা ঈংলবা অল্লোয় অদুদা (ওইদগী য়েৎলোমদা) ময়ি খজিক্তং চৎলকপগা কিঙ্ক বেন্দশিং শেল্লকপদু উৎলি। মচু খুদিংমক্লা হুঞ্জিল্লিবা ষ্ট্রকচরশিংগী থ্রী-দি ওরিএন্টেসন্দা হোংলক্লিবা কৃষ্টলদুগী শরুক অমবু তাকই।

থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা অল্লোয় অসি রিফ্রাক্টরি হায় এন্ট্রোপি অল্লোয় (RHEA) নৎত্রগা রিফ্রাক্টরি মেদিয়ম এন্ট্রোপি অল্লোয় (RMEA) হায়না খঙনরিবা অল্লোয়শিংগী অনৌবা কাঙলূপ অমগী মনুং চল্লি। হান্নদগী শীজিন্নরক্লিবা অল্লোয়শিং খুদম ওইনা ব্রোঞ্জদা মপূং ওইনা ধাতু অমা য়াওই অদুগা অতোপ্পা মচলশিং ওইরিবা ইলিমেন্টশিংনা খজিক-খজিক্তং য়াওই অদুবু RHEA অমসুং RMEA দদি য়াওরিবা মচল পূম্নমক্কী চাংসি চাওরাক্লা মান্নে অদুগা মখোয়গী শৌদোকপগী টেম্পরেচরসু য়াম্না ৱাংই।

অয়াম্বা RMEA শিংগী ফ্রেকচর টফনেসসি নেন্মী হায়বদি MPa√m গী খুজিংদা ওনবদা ১০ য়ৌদে। অদুনা মখোয় খরদি কায়গনবা ধাতুশিং ওই। ময়ি চৎপা নৎত্রগা কায়দনবা এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা অখন্ননা শেমগৎলবা, খ্বাইদগী ফৈ হায়না লৌনরিবা ক্রাইওজেনিক ষ্টীলশিংগী টফনেসসি অসিগুম্বা মেটরিঅলশিং অসিগী শরুক ২০ মুক ওই। অদুম ওইনমক নিওবিয়ম, টান্তালম, টাইটানিয়ম অমসুং হাফনিয়ম ($Nb_{45}Ta_{25}Ti_{15}Hf_{15}$) RMEA অল্লোয়দি ক্রাইওজেনিক ষ্টীলদগীসু হেল্লি হায়রি। রূম টেম্পেরেচরদা অচম্বা RMEA শিংদগী শরুক ১৫ মুক হেন্না টফ ওই।

অদুম ওইনমক ইঞ্জিনশিংদি রূম টেম্পেরেচরদা মথৌ তৌবা নত্তে। অদুনা থিজিন লূপ অসিনা মপাঙ্গল (ষ্ট্রেঙথ) অমসুং টফনেসপু টেম্পেরেচর মঙা : -১৯৬°C (মহি ওইরবা নাইট্রোজেনগী টেম্পেরেচর), ২৫°C (রূম টেম্পেরেচর), ৮০০°C, ৯৫০°C অমসুং ১২০০°C দা চাং য়েংখি। অকোনবগী টেম্পেরেচর অসিদি নুমিৎকী লৈমাইদা শারিবা চাংদুগী শরুক মঙা থোকপগী অমগী চাংদা শারিবনি। চাংয়েং অসিদগী খঙবা ঙমখি মদুদি অঙীংবদা অল্লোয় অসিগী মপাঙ্গল খ্বাইদগী কল্লি অদুগা শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা খজিক-খজিক শোন্থরকই অদুগা ফ্রেকচর টফনেসতি টেম্পেরেচর পূম্নমক্তা অদুম ৱাংদুনা লৈরম্মী।

ধাতুগী অল্লোয় অয়াম্বদি কৃষ্টলাইন ওই হায়বদি পোৎতুগী মনুংদা য়াওরিবা এটমশিংদু হুঞ্জিনবা য়ুনিটশিংদা শিন্দোক্তুনা লৈ। অদুবু ক্রিষ্টল অমত্তা মপূং ফাবদি ওইদে হায়বদি মখোয়দা অশোয়বশিং লৈ। অশোয়বশিংদুগী মনুংদগী খ্বাইদগী শেংনা খঙবা ঙল্লিবসি দিসলোকেসন হায়বসিনি। ধাতু অমদা শাফু অমা পীশিনবা মতমদা হোংলক্লিবা শকওং-শাদা অদুদা চূশিন্নবগীদমক দিসলোকেসন কয়ামুক্লা লেংথোক-লেংশিন তৌই। খুদম ওইনা তারা অমবু কোলহনবা মতমদা তরাদুগী মনুংদা দিসলোকেসনশিংদুনা লেঙলিবদু হোংলক্লিবা শকওং-শদাদুগা চুননা হোংলকই। অদুবু অনেম্বা টেম্পেরেচরদদি দিসলোকেসনশিংনা লেঙবা ইঙম ঙমদে, মমৈথংদা লেঙবা ঙল্লক্রবা মতমদা কায়রকই। মতৌ অসুম্না কুমজা ১৯১২দা ঈংলবা আইসবর্গ অমদা থেংজিল্লুবদগী টাইটানিক কাইখি। অদুবু নৌনা পুথোরক্লিবা RMEA অসিদি পূম্নমক্তগী তোপ তোপ্পা মগুণ চেল্লি অদুনা নাইট্রোজেন মহিগী টেম্পেরেচর (-১৯৬°C) দসু কায়দনা লৈবা ঙম্মী।

কা হেন্না ঈংলবা অমসুং কা হেন্না শারবা টেম্পেরেচরদা মশাগী হান্নগী ফীভম কায়দনা লৈবা ঙল্লিবসি করিগীনো হায়না ফোর-দাইমেন্সনল স্কেনিং ট্রান্সমিসন ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপি (4D-STEM) অমসুং স্কেনিং ট্রান্সমিসন ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপি (STEM) শীজিন্নদুনা নৈনখিবা মতমদা ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপিগী দেটানা উৎলকখি মদুদি 'kink band' হায়না খঙনবা অতোপ্পশিংদা ইথেং থেংনদবা থৌওং অমনা থাজনীংঙাই ওইদ্রবা টফনেস অদু থোকহনবনি হায়বা খঙলক্লম্মী। পীশিল্লিবা শাফু অদুনা কৃষ্টলদুগী ষ্ট্রিপশিংনা মরোমদোম কাইথজরক্তুনা খঙহৌদনা কোনশিল্লকপা মতমদা কিঙ্ক বেন্দশিং শেল্লকই।

এটমশিংগী মরক্তা ময়ি খজিক্তং চৎলকপা মতমদা, কিঙ্ক বেন্দশিংনা ময়ি অদুনা মখা তানা চেকখাইহল্লকপবু থিংই অদুগা ফ্রেকচরদগী ঙাকথোকই। অসুম্না অল্লোয়শিং অসিগী ফ্রেকচর টফনেসসি শীংথানীংঙাই ওইনা ৱাংই। $Nb_{45}Ta_{25}Ti_{15}Hf_{15}$ অল্লোয় অসিবু জেট প্লেন টর্বাইন SpaceX রোকেট নোজলগুম্বা শাবদা শীজিন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখা তানা থিজিনবা অমসুং এঞ্জিনিয়রিংগী চাংয়েংশিং পাঙথোকপগী তঙাইফদবদি লৈরি হায়না রিটচিনা ফোঙদোক্লি। ●

এঙলো মণিপুর ৱারনা মীয়ামদা করি পাউজেল

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশ ইন্দিয়ানা খৌরাংনা ঙাইরক্লবা মঙলান্দু মঙফাওনখি। ইন্দিয়ানা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা মচা ওইদুনা অপূনবা লৈবাক অমা শাগৎপা ঙমদনা মাগী মাগী থোকপা কাঙলূপ ফূরূপ নাইদুনা লৈরিঙৈগী মতম অদুদা ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিংগী মতিক মথৌনা লৈবা কয়ানা লান্দারকপগী ৱারী শীংবুল পুৱারীগী তুথুপ নাইনা মরোল মরোল লৈখ্রে। আলেকজেন্দরগী ৱাঙাঙগী ৱাহং পুরুঙ্গী নিংথৌ অমা ওইবগী ৱাদা নত্তনা মীনা মীদা চৎহন্নীংবা, তৌহন্নীংবা ইকায়খুম্ননা লৈবাক অমগী নিংথৌদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা চৎকদৌবা লমচৎ, ঙাঙগদৌবা ৱাঙাঙ নুংগী ওইবা কয়া হংলি ৱাহং খুন্নিবা পাউখুম্না লেঙদ্রবা খুদম্নি।

লেপ্পা নাইদবা পুৱারীগী খোঙচৎনি মতম মাগী ঈচেলবু কনানা কনাবুসু থৎপা ঙমদে। মুস্লমানশিংনা লান তারক্তুনা ইন্দিয়া অসি চহী কয়ানো পান্দুনা মখোয়না শেমগৎ শাগৎলম্বা কোনুং, লানবন্দা মোংফম কয়া ইন্দিয়াগী লৈমায়দা ঙসি ফাওবা লৈরি। মীওইবা হায়বা অসিদি মথক থংনা লৈবা মাগী মথক্তা মীওই অমা ফাওবা লৈহন্নীংদবা থম্মোয় চেনবনা চাং য়াম্না ৱাংই। মফম্না মতম্না য়াদবগী মবুক ফজিন্নবা ঙাক্তনি। নিংথৌ ওইরিবদু চিংথরগা মাগী মথক্তা লৈবা পাম্বা শাহিং চাবা কৈ, নোংশানা মানা মানা ফাগে খনবা শাগী খোঙচৎ খোঙথাং শাথেক য়েংদুনা লুমদুনা ঙাইবা অদুগা মীওইবা ঐখোয়গা করিসু খেন্নবা লৈতে। খুদোংচাববু ফংলবদি অচেংবা য়েংদুনা থবক তৌবা মীওই কয়া অমসু হিংদুনা লৈরি। ৱাজাও ঙাঙলি, হৈ-শিংবা শারি, মখূৎ-ও মশা-ও, মমিৎ লাউথোক-লাউথোক্লা ঙাঙলিবা, মখূৎ থিন-থিন্দুনা মসি ঙসি-ঙরাংগী ৱা নত্তে, মীওইবা খুন্নাই অসিগী মচৎ অমনি। ঐখোয় মীওইবা শক্তি পাম্মী, লন-থুম পাম্মী, ৱাৎত-পাদনা লৈরিক লৈরা থন্না পানবা পাম্মী। মীচানা চাখিগদৌবা ইচানা চাবা ফংহৌবা, ওইহৌবা পাম্বা ঙাক্তনি। মী মরক্তা মসি লৈবনা লৈবাক শান্তি ওইদে অমগা অমগা য়েংথীনবা, শাওনীংবা, কল্লকপা, মীহৌবা, লাকথনীংবা, চিংথনীংবা কয়া থোরকই।

মুসলমানশিংনা ইন্দিয়াগী ময়োল ওইবা লমদম লৈহাও চেনবা মফমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা নুংঙাইবা কয়াদা খুন্দাদুনা হিন্দুশিংনা মালেমদা অনী শুদ্রে খঞ্জবা শ্রীরামগী লাইশঙ মাঙহন তাকহল্লগা বাব্রি মসজিদ শাখিবদু পুৱারী থিগৎলগা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ‘রাম জন্ম ভুমী বাব্রি মসজিদ’ ৱাথোক ওইদুনা চহী কয়া লাকপা অদু লৈঙাক্কী থৌশিল থৌরাংনা লিনসু শিখ্রে চৈশুসু তেকখিদ্রে। শম্না হায়রবদা শ্রীরামগী মন্দিরসু শাদুনা লাইনীং লাইশোলগী থবক হৌখ্রে। মুস্লমানশিংগীসু বাব্রি মসজিদ শানবগী চপ চাবা মফম পীনবা আইনগী ওইবা ৱারোইশিন থমখ্রে। মুস্লমানশিংগী মথংদা ইন্দিয়াদা বৃটিশশিংনা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনি হায়দুনা লল্লোন ইতিক তৌদুনা মখোয়গী য়োনবা য়াবনা য়োনবা অদুগা ইন্দিয়াদা থোকপা পোথোক চাথোক কয়ানা মখোয়গী শেন্দোং লৈনা শেন্দান্নবা লম্বী শেমদুনা শেমগৎ শাগৎপা মুম্বাই অমসুং কোলকটাদা রেল লম্বী শেমদুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামসু কান্নবা, মখোয়গী শেন্দোংসু তানফম ওইখিবনি।

মালেমদা লৈরিবা মীওইবগী চাওখৎপসু পনখৈ থমদে অদুগা মাঙখিবসু ঙাক্লবা পল লৈতে। সহর কয়া মাঙখিবা, লৈকংলা অমদি মী লৈনদবা ঈথৎ কয়া মীওইবগী মিতানফম ওইরক্তবা নত্তে। মালেমগী ফজবা মফম, পোথোক চাথোক লৈবা মফম কয়াদা অপাম্বা খৌরাংবা কয়া খঙনা অশোনবা অকনবা খুদোংচাগদৌবা, ওইজবা ফংগদৌবা, চখোক-চৎশিন্দা অপনবা ওইগদৌবা কয়াবু কুপ্না য়েংদুনা থবক পায়খৎপা বৃটিশনি। ইন্দিয়াগী মীওই কয়াবু তোৎনা তিন্নদুনা মফম অসিদা মসি তৌবা য়াই, মফম অসিনা মীওই মখল অসি লৈ খঙনা চহী কয়া লৈদুনা শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন নৈনরবনা মণিপুরদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক চহী কয়া মরুপ মপাং ওইনা তিন্নরগা কুপশেন শেন্নদুনা লাক্লবনি। মতেং পাংবা য়াবা মতাংদা মতেং পাংশিনবা, খুদোংচাবা লৌবা য়াবা মতাংদা খুদোংচাবা লৌবা, মসিদনি মীতৈ ইপা ইপুশিংনা হায়বীরম্বা ফিরিংগী লমলৌ হৈবা মশেলনি হায়দুনা হায়রিবসি। মতাং মতম য়েংনা থবক তৌবা হৈবগী খুদম কয়াদুনা মখোয় ইষ্ট ইন্দিয়া কৌবা কম্পেনি অমা লাক্লগা পাক চাউরবা ইন্দিয়া পূম্বা ঈ-নাই তানদনা মচেৎ মচেৎ মথং মথং পুন্না পায়দুনা মখোয়গী কৈথেল ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার উখিবা কয়াদুনি।

লৈবাক ঙাকপা লিংলিবা লৈঙাক অদুগী লুচিংবা ওইরিবা নুপা নুপী অমনা ওইবা য়াই। মপুকচেল শেংনা অচান মীরাই নাইদনা ঐগী মী, মীগী মী হায়বা য়াদে হায়বা অসি এঙলো মণিপুর ৱারনা ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরবনি। কুমজা ১৮৯১গী লমদম অসিগী পুৱারী কাউবা য়াদনা, কোকপা নাইদনা লৈহৌরগদৌবা দাগফম অমনি। এঙলো মণিপুর ৱারনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা পীরিবা পাউজেলদি ‘ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইগনু’ হায়বা অমা, অনীশুবদনা ‘মীখা পোন্না হিংগদৌবগী শরুকপুদি লম্বা য়ারোই খঙনা খঙনা মায়রোং য়াবগী মথৌনা মরিংজেল অদুনি’। মীয়াম্না ফাঁসি শগাইদা থৌরী থুদুনা হাৎখিবা, লানফমদা থৱায় কৎখিবা অমদি অন্দমান নিকোবরদা লোই থাখিবা অদুখক্তনা এঙলো মণিপুর ৱারগীদমক শীংথাবা লোইবা য়াদে। নোংচুপ লাইমতোন/কছারলোমদগী লাকপা বৃটিশ ইন্দিয়াগী লানফম অৱাং কোহিমারোমদগী লাকপা ময়াং খাংদা মায়োক্নখিবা বৃটিশ ইন্দিয়াগী লানফম অমসুং ম্যান্মার তুমুলোমদগী লাকপা লানফম খোংজোম, ককচীংগী মনাওচীং, থৌবাল অথোকপম অমদি তেংনৌপলগী মফম কয়াগী লানফমশিং অসিদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা কয়াদুবু ঙসিগী শাগৈগী নাতৈগী হায়বা লৈতনা মণিপুরী খুদিংমক্লা কোক নোন্না হৈকৎ লৈকৎপা হায়বা অসি মণিপুরী অমা ওইনা মসিগী তঙাইফদবদু থমজবনি।

লুচিংপুরেল অদুগী মতুংদা মীওই লিশীং কয়া কয়ানা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগীদমক্তা পুন্সিবুদি ইরমদম ইমা লৈবাক্লা লুই হায়দুনা থৱায়না পোন্থা পীখিবা কয়াদুগী মীয়ামদু/লান্মীদু ঐখোয় পূম্নমক্লা মখোয়গী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা ঙমজগে। মায়কৈ অহুমদগী শক্তি লৈরবা বৃটিশ ইন্দিয়াগী খোঙমী লান্মী মায়োক্লবদা শরুক য়াখিবা ইপুশিং, ইপুথৌশিং ঙম্না মরৈবাক্কীদমক শরুক য়াখিবা ঙাক্তনি। লানফমদুদা থৱায় থাখিবা, থাখিদবা, কৈশুমশঙদা লৈখিবা, লৈখিদবা, অন্দমান নিকোবরদা লোই থাখিদবা কয়া য়াওরমগনি। লান য়াওরিবা খুদিংমক ইমা লৈবাক্কীদমক্লি। কুমজা ১৮৯১দসু মীশিংসু য়াম্লল্লোই, লান্মীসু য়াম্লল্লোই। অদুবু ইমা লৈবাক্কীদমক মশীং য়াম্লবা বৃটিশ ইন্দিয়াগী মহি মচুম চাদুনা পূন্সি হিংলিবা কয়াদুগী থম্মোয়দুদা তারিবা লান অদুগী অচুম অরান লেপ্পসু ঙল্লল্লোই। মখোয়গুম্বা কয়া অমগা লোয়ননা চঙশল্লকপা লানফম অদুদা মণিপুরীশিং মশীং য়াম্বা য়ামদবা ইমা লৈবাক্লা লুই হায়দুনা লান্থেংনবিখিবনি। করিগীদমক মীনাই নাইথাং ওইদুনা হিংগদৌবগী শরুক ইমা লৈবাক্কীদমক ঈ কৎকে, থৱায় থাগে হায়বা থৌনাদু কনাসু কাউফম থোক্তে, কাউবসু লৈরোই।

(-মখা লমায় ৫দা)

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১৬৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কনাগী শাদাল তানো। নোংয়াই শীংজন শীংথিবশিং। অদোল য়েনলাং য়েনশাং থিবা চৎপশিংনা খঙলকয়ে। তিমেল তাসিগী তাশক খঙনবা। তাকলো লাও হায়রকলবদা। নোংয়াই খাথা। খা মাইকৈ ফমবা। অদোল লাইথা। অৱাং মাইকৈ ফমবা ফমথৌশিংনা। তিমেল তাগী তাশক খঙঙমদে। হায়না পাউখুমজরদা। নোংয়াই য়োইরেল হলবা অঙমবা। মাকপা লাঙহৈ চুমপা। য়ামমা নিংথৌ অদোল পুনসিবা ও। তিমেল তাসিদি। নহাল লাইরেল মৈদিংঙু হেমদৌ লোইয়ামবনা। নোংয়াই খুমল লমদা য়ুমকানা লৈঙৌদা। য়াংনম শিঙমিৎ তাগী খুৎপায়ফমবু ঐনা লোনবিখিয়ে। তাগী খুরেল য়াইখুমসু। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯶꯷)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯁꯥꯗꯥꯜ ꯇꯥꯅꯣ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯁꯤꯡꯖꯟ ꯁꯤꯡꯊꯤꯕꯁꯤꯡ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯌꯦꯅꯂꯥꯡ ꯌꯦꯅꯁꯥꯡ ꯊꯤꯕ ꯆꯠꯄꯁꯤꯡꯅ ꯈꯪꯂꯀꯌꯦ꯫ ꯇꯤꯃꯦꯜ ꯇꯥꯁꯤꯒꯤ ꯇꯥꯁꯛ ꯈꯪꯅꯕ꯫ ꯇꯥꯀꯂꯣ ꯂꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯀꯂꯕꯗ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯥꯊꯥ꯫ ꯈꯥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯐꯃꯕ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯂꯥꯏꯊꯥ꯫ ꯑꯋꯥꯡ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯐꯃꯕ ꯐꯃꯊꯧꯁꯤꯡꯅ꯫ ꯇꯤꯃꯦꯜ ꯇꯥꯒꯤ ꯇꯥꯁꯛ ꯈꯪꯉꯝꯗꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯅ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝꯖꯔꯗ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜ ꯍꯂꯕ ꯑꯉꯝꯕ꯫ ꯃꯥꯛꯄ ꯂꯥꯡꯍꯩ ꯆꯨꯝꯄ꯫ ꯌꯥꯝꯃ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯗꯣꯜ ꯄꯨꯟꯁꯤꯕ ꯑꯣ꯫ ꯇꯤꯃꯦꯜ ꯇꯥꯁꯤꯗꯤ꯫ ꯅꯍꯥꯜ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯍꯦꯃꯗꯧ ꯂꯣꯏꯌꯥꯝꯕꯅ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯃꯗ ꯌꯨꯝꯀꯥꯅ ꯂꯩꯉꯧꯗ꯫ ꯌꯥꯡꯅꯝ ꯁꯤꯡꯃꯤꯠ ꯇꯥꯒꯤ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯐꯝꯕꯨ ꯑꯩꯅ ꯂꯣꯟꯕꯤꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯇꯥꯒꯤ ꯈꯨꯔꯦꯜ ꯌꯥꯏꯈꯨꯝꯁꯨ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।